**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৪-০৬-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) খ্বাইরম্বন কৈথেলগী নুপীশিংনা তোঙানবা লৈঙাক শাসন পীবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি ৱাকৎ খোংজং চথখ্রে। চীংগী জিলা খরদনা মনিপুরগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু হায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে।

২) লাঞ্জেন্নরক্নুনা জিরিবামগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী ফীভম তোঙান তোঙানবা লন্নাই লুপশিংনা য়েংশিনখ্রে।

৩) কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা ৱারি শান্ননবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি দিল্লিদা চৎখ্রে।

৪) ১৮ শুবা লোক সভাদা নৌনা কারক্লুবা সদস্যশিং ঙসিদগী ৱাশক লৌবা হৌখ্রে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা ৱারেপকা লোয়ননা ১৮ শুবা লোক সভা মীফম ঙসিদগী হৌরে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**কৈথেল(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা কাংলুপ ফুরুপ অমগী ওইনা তোঙানবা লৈঙাক শাসন পীবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি খ্বাইরন্বন্দ কৈথেল নুপীশিংনা ৱাকৎ খোংজং চত্থখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- খ্বাইরন্বন্দ ইমা কৈথেল কোওর্দিনেতিং কম্মীতিগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা কৈথেল ফম্লিবী নুপীশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন্দুনা খোংজং চংশিনবা হৌখি। মখোয়না তাল্লিবা দাবীশিংগী মনুংদা - নৌনা লোক সভাগী এম.পি ওইরবা মীওই অনিনা মনিপুরগী ৱাথোক অসি থুনা লোইশিন্নবা ঙসিদগী হৌরিবা সংসদকী মীফমদা অকনবা মওংদা তকশিনগদবনি, মশাগী খুল ঙাকচরিবশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাবা য়ারোই অমদি তোঙানবা লৈঙাক শাসন পীবা য়ারোই হায়বনচিংবা য়াওরি।

তুংদা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারম্বী নুপীশিংনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং রাজ্যপালদা মখোয়গী দাবীশিং খঙহল্লুনবা খোংচৎ অমা চৎখি। খোংচৎ অদুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবন মপা য়ৌরকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৎপদগী চাউনা মুকবা থোকখি। খোংচৎ অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ নুপী ন**

**খোংচৎ (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীংগী জিলা খরদা ঙসি মীয়ামা ৱাকৎ খোংচৎ চৎখ্রে। ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী বহুগুনৈ সিংশিটনা হায়- কম্মীতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতিনা শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা খোংচৎ অমা কাংপোকপীদা পাঙথোকখি। খোংচৎ অদুনা কুকি জোশিংগা ৱাথোক রাজনিতিগী ৱারোইশিন পুরকউ হায়না দাবী তৌখি।

মসিগা চপ মান্নবা দাবী তকশিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাদসু আই.টি.এল.এফনা শীন্দুনা মীয়ামগী খোংচৎ অমা চৎখি। তুংদা চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী খুত্থাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি । তেংনৌপল জিলাদসু দাবী অসি তকশিন্দুনা মীয়ামগী খোংচৎ অমা চৎখি।

**অশাংকছার(এল)ঃ** ফোরম ফোর রেস্তোরেসন ওফ পিছকী কনভেন্নর অসাং কছারনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা জিরিবামদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিস্বাজিৎনা হায়- শ্রী কছারনা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা মফমদুদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি। তুংদা কাংলুপ কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা হিল ঘাট কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শ্রী কছারনা হায়- কাংলুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা জিরিবামদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লকবা সরকারনা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মতেং পাঙফম থোকই।

**--সাউন্দ কছার--**

**ফোক্স(এল)ঃ** জিরিবামদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা বিদ্যানগর স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হোংজিনখ্রে। থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি (ফোক্স) অমসুং মনিপুর ৱিমেন ফেদরেসননা মফম অদুদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নরকপশিংগী ফীভম য়েংশিনখিবনি । মফম অদুদা মী চিনমনবদগী ওইরিবা ফীভম অদু য়েংলগা লুপশিং অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগা তান্নদুনা মফম হোংদোক হোংজিন তৌখিবনি।

য়েংশিন খোংচৎ অদুগা মরী লৈননা ফোক্সকী প্রসিদেন্ত থোইদিংজম মনিহারনা হায়- লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা জিরিবাম মীয়ামগী মতেং পাংনবগীদমক লাক্লিবশিং অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা অৱাবা কোকহনমিনসি । মফম অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অৱাৎ অপা লৈত্রে, অদুমওইনমক ,তুংদা করি থোরক্কনি হায়বগী অকিবা অদু লৈবনা মফম অসিদা শান্তি পুরক্ত্রিবা ফাওবা মীয়ামা অৱাৎ অপা য়েংমিন্ননবা কন্ত্রোল রুম অমা হাংদোক্কুনা থম্লগনি।

তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা মতেং পাংনবা হোৎনবদা জিলা অসিদা হান্না লৈরন্বা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, জিরি দিভলপমেন্ত ওর্গনাইজেসন ,জিম্পাল , মনিপুর য়ুথ এসোসিয়েসন জিরিবামনচিংবা উন্নদুনা পুন্না অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎমিন্নসি ।

**কোন্বীং (এল):** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোশিং, ককচিং পুলিস ষ্টেসন অমসুং ১২৬ শুবা বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি সোরা অৱাং অমদি ময়াই লৈকায়দা থীবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা য়ুম ৬৫দা থীবা হুন্বগী থবক চথখি অদুগা মীওই ১৫৫না মশক খঙদোকখি। অদুমওইনমক, মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**তমেংলোং(এল):** অসাম রাইফলস তমেংলোং বত্তালিয়ননা ঙসি অয়ুক থীবা হুন্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙল্লে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- নোনে জিলাগী মোংজিরোং খুনৌ অমদি ওল নুংনাং ভিলেজ অনিগী লোন্নবদা লৈবা মোংশোং অমদগী খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ফাগৎখিবনি। ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা করবাইন্দ মেছিন গন, এসোল্ট রাইফল, পিস্তোল, পোখায়বা য়াবা মচাকশিং অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মরক অসিদা, খোংজোম বজারদা লৈবা দুকান অমদা শকখঙদবশিংনা বোম অমা থমজিল্লল্লে। পুলিসকী পাউনা হায়- বোম অদু সি.আই.দি তেকিকেলগী বোম দিতেক্সন এন্দ দিসপোজল স্কুৱাদনা লৌখৎখ্রে। মসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

**দে(এল)ঃ** ইন্তরনেসনেল দে এগেনস্ত দ্রগ এব্যুউস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং ইং ২০২৪গা মরী লৈননা নার্কোতিক্স কন্তোল বিউরো জোনেল য়ুনিট ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা এৱানের্স প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি। মদুদা এন.সি.বিগী পব্লিক রিলেসন ওফিসর এস.সুরেন্দ্রো শর্ম্মা অমদি ইন্তিলিজেন্স ওফিসর কে. হেরোজিৎনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা, লালোনবা অমদি মসিনা খুন্নাইদা পীরকবা চৈথেংগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুরগী চহি অমা হেল্লবা ইরাং অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা ৱা তান্ননবগীদমক ঙসি মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি(এম.পি.সি.সি)গী মীহুৎ কাংবু অমা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- খোংচৎ অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কৈশাম মেঘাচন্দ্র, মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবি, হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি গাইখাঙ্গম অমদি এম.এল.এ ওক্রম সুর্জকুমার য়াওরি।

পনবা য়াবদি কংগ্রেসকী এম.পি অনি হান্নদগী দিল্লিদা লৈরকখিবগা লোয়ননা এম.এল.এ কে.রঞ্জিৎ অমদি এম.এল.এ টি.ঐচ লোকেস্বর ঙরাং দিল্লিদা চংখিবনি। মখোয়না হয়েং ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ত মালিক অরজ্ন খরগে, কংগ্রেস লুচিংবি সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধি উন্নদুনা মনিপ্রদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা ৱা খন্নবগা লোয়ননা কংগ্রেসকী মায়কৈদগী চপ চাবা ৱাফম অমা পুথোক্কুনা সংসদতা পুখৎনবা খন্নগনি হায়রি।

**তেস্পুর(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী নোন কম্যুনিকেবল দিজিস সেলনা শীন্দুনা আইয়ুসমান ভারত হেলথ একাউন্তা মীং চনবগী থৌরম অমা ঙসি তেস্পুরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর নোন কম্যুনিকেবল দিজিসকী ইম্ফালগী ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর ডা: সাহিদা য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল অমসুং অশা ৱাকশিং শরুক য়াখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী বিদ্যানাগর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু সিজা একাদমি ওফ হেলথ সাইন্সকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি ।

**জিরি(এল)ঃ** জিরিবামদগী বোরোবেক্রা ফাওরগা তিপাইমুক তাবা জে.টি রোদ হায়রগা খঙনবা লম্বী অসিগী ফীভম ফত্তবা মফমশিং ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসনা জে.সি.বি শিজিন্নদুনা শেমজিনখ্রে। হান্নদি লম্বী অসি নোংজথা মতমদা ফীভম ফত্তবদগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বনি।

**কামজোং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্কিল কম্মীতি কামজোং অমদি এম্পোরিয়ম ট্রেনিং এন্দ কন্সলতেন্সি প্রাইভেট লিমিতেদ অনিনা শিন্দুনা ইমপ্লোইমেন্ত লিঙ্ক কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি । কামজোংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- এভিয়েসন, হোস্পিতাল্লিতি , ক্রুজ লাইন অমদি টুরিজমগী লমদা নহাশিংদা তাকপী তম্বীগদৌরিবা থৌরাং অসি থা অসিগী ২৮ দগী কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসতা হৌগনি।

**বোল (এল)ঃ** দি.এস.এ ককচিংনা শীন্দুনা চঙ্খরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজসন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা এস.দব্লিউ.সি কৈরকপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংনা........... কৈরকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**চেস(এল)ঃ** ৬ শুবা খুরাইজম রামনারায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল চেস টুরনামেন্ত ২০২৪ লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌরগনি। মনিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জ্ভেনাইল ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা টুরনামেন্ত অসি নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৯ মখায়দগী হৌগনি হায়রি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**সংসদঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম ঙসিদগী সংসদকী অনৌবা বিল্ডিংদা হৌখ্রে। মীফম হেক হৌবগা প্রোটেম স্পিকর ভরত্রুহরি মহেতাবনা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিংবু ৱাশক লৌবা হৌখ্রে।

ইহান হান্না সভাগী লুচিংবা ওহরিবা বনারস লোক সভা কেন্দ্রদগী মায় পাক্লক্লবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লোক সভা সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখি।

**--সাউন্দ বাইট--(মোদি)**

অকাশবানি পাউমীনা হায়-লোক সভা মীফম হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা রাস্ত্রপতি ভবনদা প্রোটেম স্পিকর-ভরত্রুহরি মহেতাবপু রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি-মুরমুনা ৱাশক লৌখি। শ্রী মোদি সভাগী সদস্য ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা, প্রোটেম স্পিকর শ্রী মহেতাবপু মতেং পাংনবা চেয়ারপার্সনশিংগী পেনেল অমা ৱাশক লৌখি। মদুগী তুংদা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং মথং মথং ওইনা ৱাশক লৌবা হৌখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- সদস্যাশিংনা ৱাশক লৌবদা মশা মশাগী মরমদমগী ওইবা লোলশিংদা ৱাশক লৌবগী চাং য়ামা ৱাংখি। সদস্যা খরদি মখোয় মখোয়গী নাৎকী ওইবা ফীজোলশিং শেৎতুনা লাকখি। সাসক অমসুং বিরোধি খায়দনা সদস্যাশিংনা মীফম হৌদ্রিঙৈ মমাংদা অমনা অমদা য়াইফ মঙ্গোল পীন্নদুনা হরাও তয়াম্বা ফোংদোকখি। বিজয়ানাগারমদগী কারকপা টি.দি.পিগী এম.এল.এ-এ. কলিসেট্টিদি সাইকলদা সংসদকী মীফম য়াওবা লাকখি।

অনৌবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ থা অসিগী ২৬ তা খনগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ২৭ তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফমা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি। মখোয়গী মথংদা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিং রাজ্য রাজ্যগী ওইনা মমিংগী অহৌবা ময়েক্কী মতুং ইন্না ৱাশক লৌগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা ৱারেপকা লোয়ননা ১৮ শুবা লোক সভা মীফম ঙসিদগী হৌরে অমসুং মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

সংসদকী মপানদা মীফম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- নিংথিনা লৈবাক ঙাকনবা অমসুং সরকার চল্লাইনবা হোৎনবদা মেজোরিতি ফংবা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে। মসিগী মথক্তা অফবা খোংথাং অমগীদমক পুমমকা শৌগৎতুনা য়ান্নবা হায়বসিসু য়ামা মরুওইবা অমনি। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা সংবিধানগী চৎনা কাংলোনশিং ঙাকা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা থুনা ৱারেপ লৌবা পাম্মী। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলনা মহাক্কী সরকারবু থংনা থংননা অহুমলক শুবা ওইনা সরকার পায়বা ঙমহনবগীদমক মহাকা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু তৌবিমল খঙবা উৎখি।

**কংগ্রেসঃ** লোক সভা মীফমগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা বিরোধি ইন্দিয়া ব্লোক্কী লুচিংবশিংনা ভারত সংবিধানগী লাইরিকশিং পায়দুনা পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা ধরনা তৌখ্রে। ধরনা অদুদা কংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি, মালিক অরজ্ন খর্গে, রাহুল গান্ধি, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী এম.পি. সৌগতরোইনচিংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। মখোয়না সংবিধান কল্লু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

।

**নিট ঃ** নিট য়ু.জি. একজামিনেসনগী পেপর লিক ওইখিবা অদু ঝারখন্দগী হজারিবাগতগী য়ামা হৈ-শিংবা গেং খুৎপু অমনা থোকহনখিবনি হায়না বিহার পুলিসকী ইকোনোমিক ওফেন্স য়ুনিত (ই.ও.য়ু) না হায়রি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা এস.আই.টিনা গেং খুৎপু অদুগী মীওই ১৩ ফাগৎপা ঙমলে হায়নসু ইকোনোমিক ওফেন্স য়ুনিতনা মখা তারি। য়ুনিত অসিগী চেরোল অমনা হায়- ঝারখন্দগী হজারিবাগতা লৈবা একজাম সেন্তরদা চৎনগদবা এস.ও.পি নিংথিনা ইনখিদবনা ক্বেসন পেপর লিক ওইরকখিবনি।

এস.আই.টি অদুগী রিপোর্ট মতুংইন্না একজাম অদু তৌগদবা নোংম ৱাৎলিঙৈদা পাটনাদা থুংখিবা ক্বেসন পেপর অদু হজারিবাগতা লৈবা ওসিস স্কুলদা থুংগদবনি। নিট একজাম থাখিবা মহৈরোই ১৫ গী মথক্তসু কেস অসিগা মরী লৈননা এস.আই.টি অদুনা ৱাহং পাউহং চথখি। মখা তানা থিজিন্নবগীদমক সি.বি.আইদা শিন্নখ্রে হায়নসু ই.ও.য়ুনা মখা তারি।

কেস অসি সি.বি.আইদা শিন্নখ্রবা মতুং এজেন্সি অসিনা এফ.আই.আর অমা পানদুনা থিজিনবা হৌখ্রে। স্পেসিয়েল টিমশিং শেমদুনা পাটনা অমদি গোদ্রাদা থাদুনা মখা তানা থিজিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্রদা নিট পরিক্ষাগী ক্বেইসন পেপর লিগ ওইবগা মরী লৈননা এন্তি তেরোরিজম স্কৱাদ নন্দেদ য়ুনিতনা ওজা অনি ফারে। হায়রিবা ওজা অনি অসি লাতুরদা লন্নাইগী কোচিং ইন্সটিট্যুট লিংখৎপা মীওইশিংনি। শিবাজি পুলিস নাগর পুলিস ষ্টেসনসু মীওই মরিগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে। কেস অসিগী মতাংদা মপুং ফানা থিজিন্নবা এস.আই.টি. অমসু শেমখ্রে।

**অরুনাচলঃ** অরুনাচল প্রদেসতা অকনবা নোং চুরকপদগী ইতানগর সহরদা ঈশিং ঈচাওনা অমাং অতা কয়া থোকহল্লে। রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লৈবাক নিংখায়বা, লন্বী থিংবগী থৌদোকশিং থোকপদা নত্তনা মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। ইতানগর অমসুং নহরলাগুন ফাওনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱে ৪১৫ দা লৈবাক নিংখায়বদগী লন্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফম কয়াদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মেছিন্নরিশিং শিজিন্নদুনা লন্বী শেংদোকপগী থবকশিং চখ্থরি। ঈচাওনা অমাং অতা থোকহল্লবা লন্বীশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা ইঞ্জিনিয়ারশিংদা দরকার লৈবা থবকশিং খুদক্তা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি-নোংচুপ বেঙ্গল য়াওনা ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং দিল্লিদনা অশাবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই। ঙরাং হিটস স্ট্রোকনা মরম ওইরগা দিল্লিগী সবদরজং হোস্পিতালদা মীওই অমা লৈখিদে হায়রি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) খ্বাইরম্বন কৈথেলগী নুপীশিংনা তোঙানবা লৈঙাক শাসন পীবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি ৱাকৎ খোংজং চথ্খ্রে। চীংগী জিলা খরদনা মনিপুরগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু হায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে।

২) লাঞ্জেন্নরক্তুনা জিরিবামগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী ফীভম তোঙান তোঙানবা লন্নাই লুপশিংনা য়েংশিনখ্রে।

৩) কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা ৱারি শান্ননবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি দিল্লিদা চৎখ্রে।

৪) ১৮ শুবা লোক সভাদা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিং ঙসিদগী ৱাশক লৌবা হৌখ্রে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা ৱারেপকা লোয়ননা ১৮ শুবা লোক সভা মীফম ঙসিদগী হৌরে।

**--- পাউ লোইজরে---**